# লোক সভানা ট্রান্সজেন্দর পার্সন্স প্রোটেক্সন ওফ রাইটস বিল অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহন্নবা বিল পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): লোক সভানা ঙসি দি ট্রান্সজেন্দর পার্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) বিল ২০১৯, সুপ্রিম কোর্ট (নম্বর ওজ জজেজ) এমেন্দমেন্ট বিল অমসুং দি সরোগেসি (রেগুলেসন) বিল ২০১৯ পাস তৌখ্রে।



ট্রান্সজেন্দরশিংগী রাইটস ফংহন্নবগী মতাংদা পুখৎলকখিবা বিলগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সোসল জষ্টিস রতন লাল কটারিয়ানা হায়খি, ট্রান্সজেন্দরশিংগী রাইটস মপুং ফানা ফংহন্নবগী পান্দমদা নেসনল ওথোরিটি অমা লৈহনবা মথৌ তাই। কুমজা ২০১১গী সেন্সেন মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ট্রান্সজেন্দর লাখ ৪.৮০ লৈ।

ট্রান্সজেন্দর পার্সনশিংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমসুং সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী মতাংদা চৈরাক পীবগী ৱাফম বিলগী প্রোভিজনদা য়াওরি। বিল অসিগী মতুং ইন্না ট্রান্সজেন্দর হায়বসি পোকপদগী ওইরক্লবা নুপা নত্রগা নুপীগী ফিভম অদুগা মান্নদবা মওংদা হিংলিবা ট্রান্স-মেন নত্রগা ট্রান্স-ৱিমেনশিংবু খঙনগনি হায়রি।

হোরমোন থেরাপি নত্রগা সেক্স রিএসাইনমেন্ট সর্জরি নত্রগা লেজর থেরাপি তৌদ্রগসু পোকপদগী ওইরকপা নুপা নত্রগা নুপী ওইবগী ফিভম অদুগা মান্নদবা মওংদা হিংলিবা মীওইশিংবু ট্রান্সজেন্দরগী মনুং চনগনি হায়নসু বিল অসিগী প্রোভিজনগী মনুংদা য়াওরি।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা বিল অমা লোক সভানা পাস তৌখ্রে। হৌজিক হৌজিক চীফ জষ্টিস থারগা সুপ্রিম কোর্টকী অপুনবা জজ মশিং ৩১ লৈগদবনি। লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা লোক সভাদা পুথোরকখিবা বিল অসি করিগুম্বা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎনরক্লবদি সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং ৩৩ লৈরগনি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহনবীনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হায়জখ্রবা মতুংদা বিল অসি পুথোরকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমদা চীফ জষ্টিসনা হায়খি, জজ মশিং ৱাৎপনা সুপ্রিম কোর্টতা হৌজিক হৌজিক ৬০,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি। কুমজা ১৯৮৮দা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ১৮ লৈরম্বদগী ২৬তা হেনগৎহনখি। কুমজা ২০০৯দনা জজ মশিং ৩১দা হেনগৎহনখি।

হৌজিক হৌজিক কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা জজ মশিং হেনগৎহনবা তঙাইফদে হায়নসু চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৯দা দি সুপ্রিম কোর্ট (নম্বর ওফ জজেজ) এক্ট ১৯৫৬ এমেন্দ তৌদুনা অপুনবা জজ মশিং ২৫ ওইরম্বদগী ৩০দা হেনগৎখিবনি। বিল অসি তঙাইফদনা পাস তৌবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা লো মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা জুন ১ ফাওবদা কেস ৬০,০০০ রোম সুপ্রিম কোর্টতা পন্দুনা লৈখি। চীফ জষ্টিসনা জজশিংগী বেঞ্চ ৫ শেম্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা এপেক্স কোর্টকী জজ মশিং হেনগৎহনবা তঙাইফদে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা লোক সভানা সরোগেসি (রেগুলেসন) বিল ২০১৯ পাস তৌদুনা নেসনল সরোগেসি বোর্ড অমদি ষ্টেট সরোগেসি বোর্ড শেম্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ভোইস ভোটতা পাস তৌখিবা বিল অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা হায়খি, মতৈ মনাও অমনা লুহোংলবা মতুং চহী ৫ লৈরগা সরোগেসিগী খুথাংদা অঙাং ফংজবা য়াহনবগী ৱাফম বিল অসিদা য়াওরি।

কনাগুম্বা মীওই খরনা সরোগেসি ক্লিনিকশিংবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী মওং অমা উবা ফংবা মরম্না লুহোংলবা মতুংদা চহী ৫ লৈরগা সরোগেসিগী খুথাংদা অঙাং ফংবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

# ওগষ্ট ৮দা আই এম এনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা বন্দ কৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সি) বিলগী মায়োক্তা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ)না ওগষ্ট ৮দা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা বন্দ কৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

আই এমগী লিচিং মখাদা মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোইশিংনা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি। আই এম এনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, বিলগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা ব্রাঞ্চ অমদি লোকেট য়ুনিটশিংদা ধর্না তৌবগা লোয়নননা চারা হেনবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিনগনি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধনগা উনরবা মতুংদা এইমস অমদি সফদরজং হোস্পিটালগী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা চঙশিল্লম্বা খোঙজং হন্দোকপা লৈখ্রবনি। মমাঙ চয়োলদা রাজ্য সভানা পাস তৌখিবা বিল অসিগী মতাংদা আই এম এনা হায়খি, অনা লায়েংগী শীনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা এন এম সি বিল ২০১৯ য়াবা ঙম্লোই।

লৈবাক অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াই। অনৌবা মতমগী অনা লায়েংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মীয়ামগী য়াইফনবা মওংদা পায়খৎকদবনি হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি।

আই এম এনা মপুং ওইনা য়ানিংদ্রিবা ৱাফমদি এম বি বি এস দিগ্রি পায়দবা মীওইশিংদা অনা লায়েংগী থৌদাং লৌহনবগী ৱাফম য়াওরিবা বিলগী সেক্সন ৩২ (১), (২) অমসুং (৩)নি। থৌওং অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি খুদোংথিবা নংহল্লগনি হায়রি।

# জেলদা লৈরিবা মীওইশিং ভোট থাদনবগী রাইট লৈতে ঃ ই সি আই

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): জেলদা থম্লিবা প্রিজনরশিং ভোট থাদনবগী রাইট লৈতে হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না দিল্লি হায় কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।






রেপ্রাজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী সেক্সন ৬২গী মখাদা মীপুম খুদিংমক ভোট থাদনবগী রাইট ফংহনবগী হায়না পল্লদুনা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়খি, এক্ট অসিগী মতুং ইন্না জেলদা লৈরিবা মীওইশিং ভোট থাদবগী রাইট পীবা য়াদে। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা প্রিজনরশিং ভোট থাদনবগী রাইট ফংহনবীয়ু হায়না লো তম্লীবা মহৈরোই অহুম্না ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমগা মরী লৈননা ই সি আইগী এফিদেবিট অসি চীফ জষ্টিস দি এন পতেল অমসুং জষ্টিস হরি সঙ্করগী বেঞ্চতা ফাইল তৌরকখিবনি।

রেপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী সেক্সন ৬২(৫)না প্রিজনরশিং ভোট থাদবা য়াদে হায়বা ৱাফমশিং শীংনরদুনা লোক তম্লিবা মহৈরোই ৩না দিল্লি হায়কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। কুমজা ১৯৯৭তা সুপ্রিম কোর্টনা হিরম অসিগা মরী লৈননা পীখিবা ৱায়েল অমা নৌহৌনা পল্লদুনা ই সি আইনা হায়খি, জেলদা থম্লিবা মীওইশিং ভোট থাদনবগী রাইট পীবা য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীখিবা লৈবনা পিটিসন অসি মখা তানা খন্নবগী মথৌ তাদ্রে।

প্রবিন কুমার চৌধরি, অতুল কুমার দুবে অমসুং প্রেরনা সিংহ কৌবা লোগী মহৈরোই অহুম্না দিল্লি হায়কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরদুনা হায়খিবনি মদুদি প্রিজনরশিং ভোট থাদবা ফংহন্দবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনবনি। মীপুম খুদিংমক ভোট থাদনবগী রাইট ফংহনবা মথৌ তাই।

# গুজরাটতা খুঙ্গং ৪৫ ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই ৫০০০ খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে

অহমেদবাদ, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): খা থংবা গুজরাটকী নবসরি দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাওনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীওই ৪৫ ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স (আই এ এফ)না এরোপ্লেনদা হোন্দোরকখ্রে।





নবসরি দিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টর এন দি মোদিয়ানা হায়খি, অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওই ৫০০০ হেন্না খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে। নোং কন্না চুরকপদগী অম্বীকা অমসুং পুর্না তুরেলগী ঈমায় পাথোরক্তুনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। মেন্দার খুঙ্গংদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী চেম্থোকপা নংহৌদ্রবা মীওই ৪৫ আই এ এফনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা হোন্দোরকখি।

অহানবা তাঙ্কক্তা আই এ এফনা হেলিকোপ্টর ২ শীজিন্নদুনা খুঞ্জা ৩১ কনবা ঙমখি। অনীশুবা তাঙ্কতনা মীওই ১১ কনবা ঙমখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতগী নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা গুজরাটকী মফম খরদা এম এম ৩৪০ গী চাংদা নোং চুখিবা মরম্না তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকখি।

অমরোমদা, অসামগী ওইনসু ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শীখিবা মীওই ৯১ শুরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়, মীওই ৪২,৯২১ খুন্দাবা দিষ্ট্রিক্ট ৮দা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্নরি। নোংমাইজিং নুমিৎতসু দিষ্ট্রিক্ট ১০দা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মীওই ৮৮,০০০ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নখিবনি।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা ঈচাওনা মরম ওইরগা বরপেতা দিষ্ট্রিক্টকী বজালি খুঙ্গংদা মীওই অমা শীখিবদগী হৌজিক ফাওবদা ঈচাওগা মরী লৈননা শীখিবা মীওই ৯১ শুরে হায়রি।

খ্বাইদগী ফিভম থিনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি দরং, বরপেতা, চিরাং, মোরিগাউন, নগাউন, হোজাই, জোরহাট অমসুং কছারনি। অপুনবা মীশিং ২৫,৮৮৮ খুন্দাবা মোরিগাউন দিষ্ট্রিক্টতা ঈচালনা খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোকহনখিবগা লোয়নননা মীওই কয়া রিলিফ সেন্টরদা চঙজফম লৌরি।

# অসামদা এন আর সিগী মতাংদা নৌনা ভেরিফিকেসন চঙনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) ফোঙদ্রিদৈগী মমাঙদা মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা অসামগী মফম খরদা ওথোরিটিশিংনা ভেরিফিকেসনগী থবক থৌরমশিং নৌনা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।



সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা গাইদলাইনগী মায়োক্তা কিলোমিটর চা কয়ামরুম লাপ্পা মফমদা ভেরিফিকেসন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি হায়না মীওই খরনা এজেন্সিদা ফোঙদোক্নরকখি।

কনাগুম্বা মীওই অমা এন আর সিদা মিং য়াওহন্নবগীদমক ভেরিফিকেস তৌনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা নুমিৎ ১৫নিগী মমাঙদা নোটিফিকেসন থাগদবনি হায়না সপ্রিম কোর্টনা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রবসু শুপ্নগী নুমিৎ অহুম্নি ৱাৎলিঙৈদা মীওই খরবু ভেরিফিকেসন তৌবদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

ওগষ্ট ৩দা থোকখিবা নোটিফিকেসনদা মীওই কয়াবু ওগষ্ট ৫ অমসুং ওগষ্ট ৭তা পাঙথোক্কদবা ভেরিফিকেসনদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকখিবনি। মুখতার অলি (৪০) কৌবা মীওই অমবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়নননা ময়ুমদগী কিলোমিটর ৩৫০ লাপ্পা লৈবা গোলাঘাটতা পাঙথোক্কদবা ভোরিফিকেসনদা শরুক য়ানবা নোটিস পীরকখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। হৌজিক হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্ন রিবা অসামগী মীওইশিংদা এন আর সিগা মরী লৈননা ভেরিফিকেসন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলকপনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়রি।

# উনাও রেপ কেসতা চেন্নরিবা কুলদিপ বিহার জেলদা পুখ্রগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): উনাও রেপ কেসতা চেন্নরিবা কুলদিপ সিংহ সেঙ্গারবু উট্টর প্রদেশকী সিটাপুর প্রিজনদগী টিহার জেলদা পুখিনবা দিল্লিগী কোর্ট অমনা য়াথং পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট জজ দিনেস শর্ম্মনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না কুলদিপ সেঙ্গার অমদি মহাক্কা লোয়নবা সচি সিংহবু টিহার জেলদা পুখিনবা খঙহনখিবনি। উনাও রেপ কেসকী ভিক্টিম অমা রাই বরেলিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী মতাংদা সি বি আইনা কুলদিপ সেঙ্গার অমসুং অতোপ্পা মীওই ৯গী মথক্তা মী হাৎপগী মরাল শীখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা চঙ্থরক্লিবা ৱায়েলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক নুমিৎ ৪৫গী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়না মমাঙ চয়োলদা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখি।

অমরোমদা, উনাওগী থৌদোক্তা হিংহৌরবী নুপী অদু লখনৌগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংলম্বদগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা পুখিনবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখ্রে।

ভিক্টিমগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট দি রামকৃষ্ণ রেদিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং তারবা মতুংদা জষ্টিস দিপক গুপ্তা অমসুং জষ্টিস অনিরুধা বোসকী বেঞ্চনা মরাইবক থিরবী নুপী অদুবু এইমসতা পুদুনা লায়েংনবা খঙহনখিবনি।

মমাঙদা লখনৌগী কিং জোর্জ মেদিকেল য়ুনিভর্সিটিনা হায়খিবনি মদুদি, ভিক্টিমগী ফিভম ফগৎলকপা মরম্না ভেন্টিলেটর য়াওদ্রবসু মশা মথন্তা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমগনি। অদুম ওইনমক অনাবগী ফিভম লুনা লৈরি হায়না ডাক্তর খরনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ভিক্টিম অদুবু এইমসতা পুনবা য়াথং পীখিবনি।



Authorize Distributor: HelpingHand Service, Paona Bazar, Imphal.
HL-P/3484/27-31july/1-26aug.

# এন্টি মোব লিনচিং বিল পাস তৌখ্রে

জয়পুর, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): রাজস্থান লেজিসলেটিব এসেমব্লীনা মোব লিনচিং থিংনবগী মতাংদা বিল অমা পাস তৌখ্রে।

বিধান সভানা পাস তৌখিবা দি রাজস্থান প্রোটেক্সন ফ্রোম লিনচিং বিল ২০১৯ গী মতুং ইন্না মোব লিনচিংগী থৌদোক্তগা চেন্নবা মীওইশিং পুন্সি চুপ্প জেলদা থম্বগা লোয়নননা লুপা লাখ ৫ ফাওবা ফাইন থিহনগনি হায়রি।

পালির্য়ামেন্টরি এফ্যর্স মিনিষ্টর শান্তি ধারিৱালনা এসেমব্লীদা পুথোরকখিবা বিল অদুবু বি জে পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। সেলেক কম্মিতি অমদা রিফর তৌরগা খন্নহনবা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকপা ৱাফম অমগী মতাংদা ধারিৱালনা হায়খি, ইন্দিয়ান পেনাল কোদ অমসুং ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদতা মোব লিনচিং থিংনবা প্রোভিজন য়াওরবসু মতিক চাদবা মরম্না অনৌবা বিল পাস তৌবা মথৌ তাই।

IIBIT
Indian Institute of Banking and Information Technology
A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
· **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
· **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
· **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.
Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.
**Salary - 10,000 - 27,000/-**




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297
HL-B/5582/30/7-29/8

Manipur Government Recognised Referral Centre
SKY HOSPITAL
Providing World Class Device Closure | Heart Surgery
Life is Precious, Life stops when Heart stops
Let World Class Specialists handle
Your heart problem
OUR WORLD CLASS HEART SPECIALISTS

Dr. S. Radhakrishnan
MD, DM (AIIMS)
Director & Head of Department
Paediatric Interventional Cardiologist
Escorts Fortis Heart Institute, Delhi
Having 30 YEARS experience

Dr. L. Shyamkishore
MD, DM (AIIMS), MRCP (U.K), FRCP (LONDON)
Chief Cardiologist & Chairman, SKY Hospital
Formerly Consultant Cardiologist,
King George Hospital, London
Having 30 YEARS experience

Dr. Ajay Kaul
M.S., M.CH. (CTVS) HOD Heart Surgery
BLK Multi Speciality Hospital, Delhi
Former Director, Heart Surgery,
Escort Fortis Heart Institude, Delhi
Having 30 YEARS experience

Facilities Available
1. Device closure of hole in the Heart
2. Coronary Angioplasty & Stents
3. Pacemaker, ICD Combo Implant
4. Surgical closure of hole in heart
5. R.F Ablation for Palpitation
6. Heart Valve Surgery & CABG
7. 24 hrs Emergency service for Heart Attack
8. OPD Timing : 8 am to 1pm ; 2 pm to 5 pm
9. Free operation | device closure for children & patients belonging to BPL families

The only hospital in Manipur where Internationally renowned Heart Specialist from London is on site 24x7, thereby saving lives
AVAIL FREE OPD CONSULTATION & FREE ECHO ON EVERY TUESDAY & FRIDAY for Children (Below 18 years)
Book in advance to avoid disappointment, Contact : Reception or # 8415938207 | 8415934236
HL-B/5595/06